# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, THURSDAY, JANUARY 28, 2016 PAGE 7




*ইন্দিয়াদা পাংথোক্কদবা এম আর এফ (এফ –১) ৬০০ চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদৌরিবা মমিং লৈরবা এফ–১ ড্রাইভর জর্মনিগী মাইকেল সুমাকরগী মচানুপা মিক সুমাকর*

*লন্দন্দা পাংথোক্কদৌরিবা ত্রেক সাইক্লিং ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্বালিফাই ওইদুনা ইন্দিয়াগী অনৌবা সাইক্লিংগী ইতিহাস অমা ইবা ঙমখ্রবী সাইক্লিষ্ট দেবোরা হোরোল্ড*



*ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট–২০১৬*

## ইন্দিয়াগী সানিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী হিঙ্গিসনা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা জেক্কী এন্দ্রি অমসুং লুসিগা থেংনরগনি

*মেলবোর্ন, জনুৱারী ২৭ঃ*

নুপীগী দবলসকী ৱার্ল্ড নম্বর ১ জুরা ওইরিবী ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনা হিঙ্গিসনা ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী জুলিয়া জোর্জিস অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাবু মায়থিবা পীদুনা ফাইনেলদা অতোপ্পা জেক রিপব্লিক্কী জুরা এন্দ্রি লাভাকোভা অমসুং লুসি রাদেকাগা লম্বা তৌনরগনি ।

সানিয়া মির্জা অমসুং মার্টিনা হিঙ্গিসনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিদা ১৩ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবা জর্মনিগী জুলিয়া অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনাবু য়াম্না কোম্না গেম অমখক মাইথিরগা ষ্ট্রেট সেট ৬–১, ৬–০দা মায়পাকপা ঙমখি ।

মেটচ অদুদা নম্বর ১ নুপীগী জুরা ওইরিবী সানিয়া অমসুং হিঙ্গিসকী মশান্না অদুদা জর্মনিগী জুলিয়া অমসুং জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভানা লম্বা তৌবদা অৱাবা অমা ওইদুনা য়াম্না কোম্না ইন্দিয়া অমসুং স্বিজরলেন্দগী জুরা অদুনা থোইখি ।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সাইনা অমসুং স্বিজরলেন্দগী মার্টিনানা লম্বা তৌগদৌরিবা জুরা অদু টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ জুরা ওইখিবা জেক রিপব্লিক্কী এন্দ্রি লাভাকোভা অমসুং লুসি রাদেকানি।

মখোয় অনিনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা চাইনাগী জুরা টুর্নামেন্ট অসিদা ১৬ শুবা সিদেদ ওইখিবা জুয়ি ফান অমসুং ঝেং সাই সাইবু অকনবা লম্বা থেংনরবা মতুং সেট ২–১ দা মায়থিবা পীখিবনি ।

অহানবা সেট চাইনাগী জুরা অদুনা জেক রিপব্লিক্কী জুরা অদুবু ৬–৩ দা থোইরবা মতুং জেক্কী শান্নরোই অনিনা অনিশুবা সেট অদু চপ মান্নবা স্কোরদা ৬–৩দা থোইদুনা অরোইবা সেট লম্বা তৌনরকপদা জেক্কী জুরা অদুনা ৬–১দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি ।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা কানাদাগী ১৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা মিলোস রাওনিকনা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসপু সেট ৩–১দা মায়থিবা পীখি ।

মোনফিলস টুর্নামেন্ট অসিগী ২৩ শুবা সিদেদ শান্নরোইনি । অদুবু মহাক অহানবা সেটতা রাউনিক্না ৬–৩দা থোইখি । অনিশুবা সেট মোনফিলসনা ৬–৩দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেট অদু রাউনিক্না ৬–৩, ৬–৪দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখিবনি।

সেমি ফাইনেলদা রাউনিক্না টুর্নামেন্ট অসিগীদসু নত্তনা ৱার্ল্ড নম্বর ২ ওইরিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেগা লম্বা তৌরগনি ।

পনবা য়াবদি এন্দি মুরেনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা স্পেনগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই দেবিদ ফেররবু সেট ৩–১দা থোইখিবনি ।

অহানবা সেট মুরেনা ৬–৩দা থোইখি । মদুগী মতুং অনিশুবা সেট অদু ফেররনা তাই ব্রেক্তা ৭–৫দা থোইদুনা সেট অমমম মান্নখি । মমাংগী সিজন্দসু য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবা গ্রেট বৃটেনগী এন্দি মুরেনা স্পেনগী দেবির ফেররবু অহুমশুবা অমদি মরিশুবা সেট অদুদা ইৱা ৱাদনা ৬–২, ৬–৩দা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা রাউনিক্কা থেংনগদৌরিবনি ।



*সেমি ফাইনেল মায়পাকখ্রবা মতুং হরাওরিবা সানিয়া অমসুং হিঙ্গিস*

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবী গ্রেট বৃটেনগী জোহানা কোন্তা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লি । মহাক্না ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী চাইনাগী ঝাং স্বাইগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেটতা অকনবা লম্বা মায়োক্নরগা জোহানানা ঝাংগী সার্বিস গেম অমা ব্রেক তৌবা ঙমখিবদগী সেট অদু ৬–৪দা থোইবা ঙমখি । অদুগা অনিশুবা সেটতদি গ্রেট বৃটেনগী শান্নরোই অদুগী মশান্নদা চাইনাগী ঝাং মখুৎ হন্না ঙমখিদবা মরমনা ৬–১দা জোহানানা থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা জর্মনিগী টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী এঞ্জেলিক কর্বরগা লম্বা তৌনরগনি ।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবী জর্মনিগী কর্বরনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা বেলারুসকী ভিক্তোরিয়া অজারেঙ্কাবু ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকখিবনি ।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসতা ফ্রান্সকী এড্রিয়ান মানারিনো অমসুং লুকাসনা পোলি অহানবা সেমি ফাইনেলদা বৃটেনগী জেমি মুরে অমসুং ব্রাজিলগী ব্রুনো সাওরেজগা থেংনরগনি । অদুগা অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা কানাদাগী দেনিএল নেষ্টর অমসুং জেক রিপব্লিক্কী রাদেক ষ্টিপানেক অমদি স্পেনগী মার্সেল গ্রানোলার্স অমসুং উরুগ্বেগী পাব্লো কিবাস লম্বা তৌনরগনি ।

ওষ্ট্রেলিয়ান ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীমচাগী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনি কে থান্দি অমসুং পি য়াদলাপল্লি অহুমশুবা রাউন্দ মেটচ মায়থিহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে । থান্দিবু ওষ্ট্রেলিয়াগী তোমিকনা সেট ২–১দা থোইখি । অদুগা য়াদলাপল্লিবু রুসিয়াগী পোতাপোবানা ২–০দা থোইখি ।



*নুপাগী সেমি ফাইনেল লম্বা তৌগদৌরিবা কানাদাগী মিলোস রাউনিক অমসুং বৃটেনগী এন্দি মুরে*

## রাঞ্চি রেজনা দিল্লি ৱেবরাইদর্স মায়থিবা পীদুনা জোইন্ট লিডর ওইবা ঙমখ্রে

*রাঞ্চি, জনুৱারী ২৭ঃ*

হিরো হোক্কি ইন্দিয়া লীগকী ঙরাং ঝরখন্দগী কোনুং রাজ্য ওইরিবা রাঞ্চিদা লৈবা এষ্ট্রো তর্ফ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্বু ওইখিবা রাঞ্চি রেজনা দিল্লি ৱেবরাইদর্সপু মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা জোইন্ট লিডর ওইবা ঙমখ্রে ।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়ু পি ৱিজার্দর্সপু কালিঙ্গা লেন্সর্সনা পাঞ্জল ১০–২দা মায়থিবা পীখ্রবা মতুং ঙরাংগী রাঞ্চি রেজ অমসুং দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী মেটচ অদু পাঞ্জল য়াম্না চন্নদবা মেটচ অমদা ওইখি ।

য়ুম্বু ওইখিবা রাঞ্চি রেজনা সিজন অসিগী অহানবা ওইনা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দদা শান্নবা মেটচ মায়পাকপা ঙমখি । মখোয়না দিল্লি ৱেবরাইদর্সপু য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুদা অরোইবা মীৎকুপ্তা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ২–১দা মায়পাকপা ঙমখিবনি।

ঙরাং লৈবাক অসিগী ৬৭ শুবা রিপব্লিক নুমিৎকা মরি লৈননা রাঞ্চিগী এষ্ট্রো তর্ফ ষ্টেদিয়মদা ভাবোক থন্না তিনখিবা মেটচ অদুদা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ২৭ শুবা মিনিটতা দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী মায়কৈদগী চনবা ঙমখি ।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা টিম অনিমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা মওংদা লম্বা চথনবা হৌরকখ্রবসু পাঞ্জল ওন্থোক্নবা ঙমদনা লৈখিবনি । অদুবু শান্নবগী ২৭ শুবা মিনিটতা দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী মায়কৈদগী ফংখিবা অহানবা পেনালটি কোন্নর অদু রুপিন্দর পাল সিংহনা য়াম্না ফজবা ফ্লিক অমগী মতেংনা পাঞ্জল অদু ওইখিবনি ।

রাঞ্চি রেজকী কেপ্টেন এসলি জেকসন্না মেটচ অদুগী ইক্যুলাইজর অদু পেনালটি কোন্নর অমগী মতেংনা চনবা ঙমখি । পাঞ্জল অমমম মান্নরবা মতুং টিম অনিমক অনিশুবা হাল্ফতা হান্না শান্নরম্বা খোঙজেলদগী য়াংখত্নুনা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল পুশিন্নবা মখোয় মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবশিং অদু উৎথোক্নরকখি । শান্নবা লোয়গদবা মতম য়ামশিলক্তুবদা দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী মায়কৈদগী অহেনবা এটেক্ট চথরক্তুনা রাঞ্চি রেজকী দিফেন্দরশিং অৱাবা খাংখি । অদুবু এটেক্ট ঙাকথোক্তুনা লৈরিঙৈ । টিম অদুনা ফংবা কাউন্টর এটেক্ট অমদা বোল অদু দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদগী দিফেন্দরশিং অদুনা ফাউল তৌরুবগীদমক পেনালটি কোন্নর অমা রাঞ্চি রেজনা ফংখি ।

অরোইবা মীৎকুপ্তা ফংখিবা পেনালটি কোন্নরগী খুদোংচাবা অদু রাঞ্চি রেজকী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা টিম অদুগী কেপ্টেনসু ওইরিবা এসলি জেকসন্না পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেটচ অদু মখোয়না দিল্লি ৱেবরাইদর্সপু পাঞ্জল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা চথরিবা হিরো হোক্কি ইন্দিয়া লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা কালিঙ্গা লেন্সর্সকা পুন্না পোইন্ট মান্নবদগী লুচিংদুনা চংমিন্নরি ।



*দিল্লিগী টিমবু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওরিবা রাঞ্চি রেজকী শান্নরোইশিং*

## য়ুম্বু বংলাদেশ মায়পাকখ্রে ইংলেন্দনা ফিজি রন ২৯৯দা থোইখ্রে

*চিট্টাগোঙ, জনুৱারী ২৭ঃ*

বংলাদেশনা য়ুম্বু ওইদুনা ঙসিদগী হৌখিবা আই সি সি চহি ১৯ মখাগী ক্রিকেট ৱার্ল্ড কপ অহৌবা মেটচতা মমাংগী চেম্পিয়ন সাউথ আফ্রিকাবু য়ুম্বু লৈবাক্না রন ৪৩দা মায়থিবা পীখ্রে । অতোপ্পা মেটচ অমদা ইংলেন্দনা ফিজিবু রন ২৯৯দা মায়থিবা পীখ্রে ।

ঙসি বংলাদেশকী সহর চিট্টাগোঙদা লৈবা জাহুর অহমদ চৌধুরি ষ্টেদিয়মদা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা সাউথ আফ্রিকা অমসুং য়ুম্বু বংলাদেশনা শান্নখিবা ৱার্ল্ড কপ অসিগী অহানবা গ্রুপ (এ)গী মেটচতা হান্না বেটিং তৌদুনা ওভর ৫০দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ২৪০ লৌবা ঙমখিবনি ।

বংলাদেশকী ইন্নিংস অদুদা নাজমুল হোসিন্না রন ৭৩ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটসমেন ওইখি । মহাকপু চাওনা মতেং পাংখিবা অতোপ্পা বেটসমেন অনি অদুদি রন ৪৬ লৌখিবা জয় রাজ সেখ অমসুং রন ৪৩ লৌখিবা পিনাক ঘোসনি । সাউথ আফ্রিকাগী বোল্লর ৱিয়ান মুল্দরনা বংলাদেশকী বেটসমেন অহুম আউত তাহল্লগা রন ৪২ পীখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি ।

মেটচ অদু মায়পাক্নবা মমাংগী চেম্পিয়ন ওইরিবা সাউথ আফ্রিকানা ওভর ৫০দা রন ২৪১ লৌবগী টার্গেট লৈখি অদুবু টিম অদুগী শান্নরোই লিয়াম স্মিথনা রন ১০০ লৌদুনা য়াম্না কন্না হোৎনখ্রবসু মহাক্কী অতোপ্পা বেটসমেনশিংনা শিংথাবা য়াবা মতেং অমত্তা পীরক্তবদগী ওভর ৪৯গী মরিশুবা বোলদা টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক রন ১৯৭ তা আউত ওইখিবদগী রন ৪৩দা মখোয় মায়থিহৌবনি ।

বংলাদেশকী মায়কৈদগী বোল্লর মোহমদ সাইফুদ্দিন অমসুং মেহিদি হসন্না ৱিকেট অহুম অহুম লৌদুনা ফজবা বোল্লরশিং ওইখি ।

ঙসি ৱার্ল্ড কপ অসিগী চিট্টাগোঙদা লৈবা এম এ অজিজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ সিগী মেটচ অমদা ইংলেন্দনা ফিজিবু রন ২৯৯দা মায়থিবা পীখি । মেটচ অদুগা অহানবা ইন্নিংস ইংলেন্দনা বেটিং তৌরকদা ওভর ৫০ দা ৱিকেট অহুমখক তুরগা রন ৩৭১ লৌবা ঙমখি ।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী দান লোরেন্সনা বোল ১৫০দা ফোর ২৫ অমসুং সিক্স অমগা লোয়ননা রন ১৭৪ লৌখি । অদুগা টিমমেট জেক বর্নহমনা বোল ১৩৭তা ফোর ১৯ অমসুং সিক্স ৪ য়ৈদুনা রন ১৪৮ লৌবা ঙমখি । মখোয় অনিনা অনিশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক্তা পুন্না রন ৩০৩ হাপচিনখি ।

ইংলেন্দগী লম্বা ওইখিবা ফিজিনা মেটচ অদু মায়পাক্নবা ওভর ৫০ রন ৩৭২ লৌবগী পান্দম লৈখিবনি। অদুবু টিম অদুগী বেটসমেন ১০ মক ওভর ২৮গী অহুমশুবা বোলদা শুপ্নগী রন ৭২ খক লৌরগা আউত তাখিবদগী মেটচ অদু মখোয় ইংলেন্দগী মখুত্তা রন ২৯৯দা মায়থিবা নংখিবনি ।

ফিজিগী মায়কৈদগী বেটসমেন পেনি ভুনিৱাকানা রন ৩৬ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী শিংথবা য়াবা স্কোর ওইখি । অমরোদা ইংলেন্দগী বোল্লর সাকিব মহমদনা রন ২খক পীরগা ৱিকেট অহুম লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বোল্লর ওইখি । অদুগা টিম অদুমক্কী অতোপ্পা বোল্লর সমকুরান্না ফিজিগী বেটসমেন অহুম আউত তাহনখি ।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী হয়েং গ্রুপ (দি)গী মেটচতা ইন্দিয়ানা আয়রলেন্দগা শান্নগনি । গ্রুপ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা নিউ জিলেন্দগা নেপালগী থেংরনি । লোয়ননা গ্রুপ (বি)গী অতোপ্পা মেটচ অনিদা পাকিস্টান অমসুং অফগানিস্টান অমদি শ্রীলঙ্কা অমসুং কানাদা থেংনরগনি ।



*রন ৭৩ লৌখিবা বংলাদেশকী নাজমুল*

## মুম্বাই এফ সিনা বেঙ্গালুরু এফ সি থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈখ্রে

*মুম্বাই, জনুৱারী ২৭ঃ*

ঙসি হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫–১৬কী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা মুম্বাই এফ সিনা বেঙ্গালুরু এফ সিবু পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীদুনা মুম্বাই অহুমশুবা পোজিসন্দা হাইগৎপা ঙমখ্রে ।

মহারাষ্ট্রগী কোনুং সহর মুম্বাইদা লৈবা কুপরেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরিশুবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী বেঙ্গালুরু এফ সিবু য়ুম্বু মুম্বাই এফ সিনা পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা পীরবসু মমাংদা শান্নখিবা রাউন্দ অহুমদা অহুম্মক মায়পাক্নুনা পোইন্ট ৯ ফংদুনা লৈখিবা বেঙ্গালুরু এফ সি লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা অদুমক মাংজিল থাদুনা চৎলি ।

মুম্বাই এফ সি মমাংগী মেটচ অহুম শান্নবদা অমা মায়পাক্লগা অনি দ্রো চৎতুনা শুপ্নগী পোইন্ট ৫ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি । ঙসিগী মেটচ অদু য়ুম্বু মুম্বাইগী ওইনদি য়াম্না মরুওইবা মেটচ অমা ওইখি । মরমদি মখোয়না মমাংদ শান্নখিবা মেটচ অনি দ্রো চৎখিবা অদুনা মাংজখিবা পোইন্ট ৪ অদু ফগৎনবা হোৎনবগী খুদোংচাবা অমা লৈরিবনি ।

ঙসিগী মেটচ অদু হৌরকপদা য়ুম্বু মুম্বাই এফ সিনা মেটচকী অঙন্বা শরুক্তা অহানবা মেটচকী পাঞ্জল অদু চন্বা ঙমখি । শান্নবগী মঙাশুবা মিনিটতা মুম্বাই এফ সিগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক্ট অমদা টিম অদুগী শান্নরোই অরাতা ইজুমিনা বেঙ্গালুরু এফ সিগী পেনালটি বোক্স মতোলদগী বেঙ্গালুরুগী গোল পোষ্টকী ওই থংবা শরুক্তা চংহনখিদুনা মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু ওইখি ।

পাঞ্জল মাংজিল থাবা ঙম্লবা মুম্বাই এফ সিনা অহেনবা থৌনাগা লোয়ননা বেঙ্গালুরু এফ সিগী মায়কৈদা মখা তানা অহেনবা এটেক্ট চথবা ঙমখি ।

মদুগী ফলনা মুম্বাই এফ সিদা শান্নবা য়াওরিবা নোর্থ কোরিয়া মচা মিন সোল সোন্না মিটর ৩০ ৱাৎলিঙৈদগী ফংবা বোল অমা শাফু কন্না কাওশিনখিবদা বেঙ্গালুরু এফ সিগী গোল কিপর উপাই লৈখিবদবগী মেটচকী অনিশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১১ শুবা মিনিটতা চন্দুনা ২–০দা বেঙ্গালুরুবু হেন্দুনা চৎখি ।

বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী মমিং লৈরবা শান্নরোই অমা ওইরিবা য়ুগেসন লিন্দোনা শান্নবগী ১২ শুবা মিনিটতা কাওরকখিবা কোন্নর কিক অদু মুম্বাই এফ সিগী গোল এরিয়া মপা চানা থাদরকখিবনি । অদুবু বোল কলেক তৌবিনবা লৈরমদবদগী খুদোংচাবা অমা মাংজখি ।

অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল অহেনবা লৈতনা মুম্বাইনা হেন্দুনা চৎখি । অনিশুবা হাল্ফতসু বেঙ্গালুরুগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু মখোয়না পুশিল্লকখিবা বোলশিং অদু মুম্বাইগী শান্নরোইশিংনা নিংথিনা থিংখিবদগী উপাই লৈখিদে ।

ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা সুপর লীগতা শান্নবা শান্নরোই কয়া য়াওরবা বেঙ্গালুরু এফ সি ঙসি মরিসুবা রাউন্দ মেটচ অদুদা মুম্বাই এফ সিগী মখুত্তা পাঞ্জল ২–০দা মায়থিবা নংখি ।




*বেঙ্গালুরু এফ সিগী সুনিল ছেত্রিনা মুম্বাই এফ সিগী শান্নরোইশিংদগী বোল মুনখিবা মতাং*

## মণিপুরগী রুরেল টিম খনখ্রে

*ইম্ফাল, জনুৱারী ২৭ঃ*

মথং থাগী ২দগী ৫ ফাওবা তেলঙ্গানা রাজ্যদা লৈবা ৱারঙ্গলদা পাংথোক্কদৌরিবা রাজিব গান্ধি খেল অভিয়ান ২০১৫–১৬কী নেসনেল লেবেল রুরেল স্পোর্টস কম্পিটিসনগী বাস্কেটবোল (গ্রুপ ৬) ইভেন্টতা মণিপুরগী মহুৎ শিল্লুগদবা নুপামচা অমসুং নুপী ১২ / ১২গী শান্নরোই খনগৎতুনা রাজ্য অসিগী টিম শেমখ্রে হায়না য়ুঠ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী দিরেক্তর দল্লিয়ু ভক্তরাজনা প্রেস্তা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি ।

নুপামচাশিং অদুদি ঃ দুরগেশ, রাজেশ, হেরিলসন, বিকাস, সুসোরজিৎ, নারেস, বোসিও, ব্রুনো, লক্কি সন, রোহিট, দোমালস্থান অমসুং খাইলালসাংনি ।

নুপীমচাশিং অদুদি ঃ গাইগ্নাংথুলিয়ু, পাউলিনলিউ, থোইথোইবী, লুনফুনলিন, সিয়াংঙাংলিউ, ইন্দিরা, তানিয়া, আইরিস, লক্ষ্মিপ্যারি, উমা অমসুং দাইনানি ।

## ফুটবোল অমসুং ক্রিকেটকী কোচিং

*ইম্ফাল, জনুৱারী ২৭ঃ*

চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারী ৭তগী থাংমৈবন্দ এঠলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) গী গ্রাউন্দদা লাইফলোং গ্রাসরুট ফুটবোল অমসুং ক্রিকেটকী কোচিং প্রোগ্রাম হৌরগনি হায়না থাও স্পোর্টস একাদেমীগী এদমিনিষ্ট্রেটরনা প্রেস্তা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি ।

হায়রিবা ফুটবোল অমসুং ক্রিকেটকী কোচিং প্রোগ্রাম অসি নোংমাইজিং নুমিৎ অমসুং সুটি নুমিত্তা মতিক চাবা কোচকী মখাদা পাংথোক্কদৌরি হায়রি ।

## হিনানা ইন্দিয়াগী ওলেম্পিক্কী ৯শুবা সুটিংগী কোতা ফংখ্রে


*তুঘলাক্কাবাদ, জনুৱারী ২৭ঃ*

দিল্লিদা লৈবা তুঘলাক্কাবাদতা পাংথোকপা এসিয়ান ওলেম্পিক সুটিং ক্বালিফায়রগী ঙসি পাংথোকখিবা কম্পিটিসন্দা ইন্দিয়াগী নুপীগী সুটর হিনা শিধুনা মিটর ১০গী এয়ার পিষ্টোল ইভেন্টতা গোল্ড মেদল ফংবতা নত্তনা চহি অসিগী ওগষ্ট থাদা ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা পাংথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসকীদমক ক্বালিফাই ওইদুনা ইভেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী অপুনবা ওলেম্পিক শরুক য়াগদবা সুটর ৯ শুবা ঙমখ্রে ।

দিল্লিগী তুঘলাক্কাবাদতা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুটিং রেঞ্জতা পাংথোকপা এসিয়ান ওলেম্পিক সুটিং ক্বালিফায়র টুর্নামেন্ট অদুগী নুপীগী মিটর ১০গী এয়ার পিষ্টোল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুটর হিনা শিধুনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ৩৮৭ ফংদুনা মকোক ওইরবা মতুং ফাইনেল রাউন্দ য়ৌখিবনি ।

হিনানা ফাইনেল রাউন্দদা পুন্না পোইন্ট ১৯৯.৪ ফংদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা ইভেন্ট অদুদা ওলেম্পিক্কী কোতা অনি লৈবগী মনুংদা কোতা অমা মহাক্না ফংখিবনি ।

নিংশিংবা য়াবদি মিটর ১০গী এয়ার পিষ্টোল ইভেন্ট অদুদা সুটর ৮ লম্বা তৌখিবনি । মদুগী মনুংদা ৪ অমদি মাংজৌননা ওলেম্পিক্কী ক্বালিফাই ওইখিবা নত্রগা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্ন কোতাগী লিমিত লোয়খিবনা হিনা ক্বালিফাই ওইখিবনি।



*ওলেম্পিক ক্বালিফাই ওইখ্রবী হিনা*